## এডিটোরিয়েল

# প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ

য়াম্না তাংবা থৌদোক অমা ওইনা ভারতকী প্রসিদেন্ট মণিপুরদা লাক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স ফোর্স অহুমমক্কী সুপ্রিম কম্মান্দর অমগী খোঙচত্তা উৎকদবা চপ চাবা থৌরাং অদু পায়খৎখ্রে। হৌজিক খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা মখল মখা কয়াগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং পায়খৎখিবগী মনুংদা প্রসিদেন্ট লাক্কদবা নৎত্রগা লাক্লোইদবা মফম খাইদনা অঙকপা মওংগী কোম্বিং ওপরেসন্নচিংবা পাংথোকখ্রে। মসিমক ভারতকী প্রসিদেন্ট অমগী খোঙচৎ অসিমক নৎত্রবসু মমাংদগী হৌনা মণিপুরগী গভর্নর নৎত্রগা চিফ মিনিষ্টরনা চৎকদবা খোঙচৎশিংদসু অদুমক পাংথোকখিবা ঙাক্তেনি হায়না লৌবা য়াই। খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা ঙসিদি ফুট পাঠ শেমদ্রবসু দুকান কাংবুনা ফুট পাঠতা খোপচিল্লগা দুকানগী শরুক ওইশিনবশিং মশক থি হায়দুনা তকথোকখ্রে। মসিমকসু ব্যাটিফিকেসনগী মাংজৌননা শেমখ্রবা থৌরাং অমা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা অদু মরুওইবা ভি ভিআইপি শিংগী খোঙচত্তা যুম্ফম ওইরগা পাংথোকপা অফবা থৌরাং অমনি হায়না মীয়াম্না লৌই। নুংঙাইরিবদি প্রসিদেন্টনা চৎকদবা মফমনি হায়না য়াখোল্লকবা রুট অমদা লম্বী খাজিন্দুনা থম্বগী মওং অসিনি। ভারতকী প্রসিদেন্ট হায়বসি দিমোক্রেটিক কন্ত্রি অমগী মকোক থোংবা মীয়ামগী লুচিংবা অমনি। মহাক্কা মীয়ামগা উন্নবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইফম থোকই। মহাকপু উন্নদবনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শম্বল খারগা মতৌ করম্না ভারত পুম্বগী মীয়ামগী লুচিংবা অদু উন্নগদৌরিবনো হায়বসিনি। ষ্টেট অসি ইন্সর্জেন্সিগী ইরাং লৈবা ষ্টেট অমনি হায়না লৌরগা লমদমসিগী মীয়াম্না প্রসিদেন্টতা হায়নিংবা কয়া লৈরবসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা থিংবগী মওংদা লৈরকপসিমক লৈঙাক অসিগী অশোয়বা অমা শোয়দনা ওইফম থোকই।

মীয়ামগী অপান্বদি প্রসিদেন্টনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা নৎত্রবসু ইম্ফাল এরিয়াগী লৈরিবা কেপিটেল সিটিগী লম্বী সড়ক্কী ওইরিবা ফিভম অসি ফাওবদি য়েংশিনহনবা হায়বসিনি। হৌজিক লৈবাকসিদা লৈরিবা ভারত লৈঙাকপু পামদবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা অথিংবা থল্লকপদগী মণিপুর অসি ভারতকী প্রসিদেন্ট লাকপা মতমদা পোলিটিকেল পার্টি খরগী নৎত্রগা লন্নাই লুপ খরগী লুচিংবশিংগা উন্নরগা মখোয়না হায়নিংবা অদুকখক্তমক হায়বা তাবা অমসুং মীয়ামগী ওইবা ইশু কয়াগী পুথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভম অমা অদুমক লৈতবা নত্তে। ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্ট পায়রিবা রুলিং পার্টিগীদি অথিংবা থল্লকপা অসি মতোল থোক্লে হায়না লৌবা তাই। মখোয়না প্রসিদেন্টতা খঙহন্নিংদবা কয়া অমা অদুমক মশানা খঙহনবা ঙম্লরোইদবগী মওংদা অদুমক লৈফম থোকই। মসিমক্না মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়াম্না ভারতকী মরুওইবা লুচিংবশিংদা খঙহন্নিংবা কয়া অমা মমাংদগী খঙহনবা ঙমদনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেটসিগী মীখল কয়াদা করম্বা ফিভমদা লৈরগা খরাগা হেন্না চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইগদে হায়বদু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা খঙহনবা ঙমদনা লাকখিবনি। লৈবাকসিদা হায়বসি মণিপুর ষ্টেটতা পাল্লিবা সরকার অসিগী লুদবা থৌদোক কয়া অমা মীয়াম্না প্রসিদেন্টতা খঙহন্নিংলম্বা য়াই হায়বসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খঙই। মখোয়না তৌখিবা অশোয়বা অমদি অরানবা কয়া অদু হকথেংননা প্রসিদেন্টতা খঙহনখিবা তারগদি ষ্টেট গভর্নমেন্টকীসু ফজনিংঙাই ওইদে অদুগা ষ্টেটসিগী মীয়াম্নগা করিগীদমক মখোয়বু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখিবনো হায়বগী মতাংদসু মীয়ামগী ওইনা মীংচৎ থিনিংঙাই ওইরকপগী ফিভমদা লৈরবনি। মসিদগী অথিংবা কয়া থল্লকপদা সরকার অসিনা চপ চানা মায়োক্লদুনা ভারতকী প্রসিদেন্ট অদুগা মীয়াম্না উন্নহন্নবা শীনবা ঙমদবনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই। প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ মীয়াম্না নৎত্রবসু সরকার অসিনদি শোয়দনা তরাম্না ওকফম থোকই। মদুগী অফবা ফলসু মীয়ামগী লুচিংবশিংনা ফংবা ওইসনু।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### শম্বলনা করি কান্ননি

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঙাইহাক্তং লাকপা খোঙচৎতা লাক্কদৌরিবা লম্বীশিংদা অহেনবা চাদীং তৌদুনা শম্বল খাবনা করি কান্নবা পুরক্কদৌরি। আইন্না থীংখ্রবা লালহেলুপ কয়ানা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রবদা কনানা থোরক্তুনা মহাকপু মীৎয়েং তাগদৌরি। লৈকাই-লৈকাই খুদিংগী লৈরক খুদিংদা গেট পানশিন্দুনা ঐখোয়বু মঙোন্দা চোংশিল্লক্কনি হায়বগী অকিবা লৈরব্রা নত্তদুনা গভর্নমেন্ট অসিগা মান্নরগা থিকাদারশিংদা সপ্রাইপীথোক্তুনা য়াম্লবা শেনফম মাংহল্লিবা অসি করম্বা অরোনবা লাল্লোং লৈবরা। ইন্দিয়াগী প্রসিন্টে অমা লাকপদা লৈপাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী হক অদু কন্দায়দা থমসীগে নত্রগা মহাকপু হকথেঙননা লমদম অসিদা হৌজিক য়েংনরিবা থবক ফংদবগী অৱাবা, মৈ-ঈশিংগী অৱাবা অদু হকথেংননা হায়হৌবগী তাঞ্জা অমা মরি লৈনবশিংনা পীদ্রিবা করিগীনো? লাইরিক হৈরবা লমদম অসিগী নহারোলশিংনা থেংনরিবা অৱাবা পোৎলুম অসি ভারতকী প্রসিদেন্টনা মণিপুরদা লাকপা অসিদা হায়হৌনবগী তাঞ্জা অমা পীবগী মথৌ তারি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লম্বী শরক্তা অহেন্বা সেকুরিটি ফোর্স থাদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং হেন্না কনখত্তুনা প্রজাশিংদা অৱাবা পিবগী মহুত্তা চেকশিন থৌরাং অসিদগী খরা কোমথোকপগী মথৌ তারে হায়নীংই। করিসু নত্তদুনা লৈরক-খুল্লক, লৈকাই-লৈকাইদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপদি ফৈ পামদবা থৌদোক থোক্তনবা। অদুবু লৈকাই-লৈকাই খুদিংগী লৈরক চংফম খুদিংদা গেট পল্লিবা অসিগী নুঙগী ওইবা অর্থ অদুনি খংনিংলিবদি।

অদোমগী
এম. প্রয়োকুমার সিংহ
শিংজমৈ থোঙাম লৈকাই, ইম্ফাল।

# ষ্টেট মীয়মগী লাংফম ষ্টেট লৈঙাক্কী খুদোলনি!

(লীচৎকী মিয়েংদা)

'পনখে তাল্লিবা ঈচেল' গী পরিং ৪০০ শুরকপসিদা, পাঙজদ্রবা ৱারেং পরিং অসিবু ইজরিবনা, লেপ্তনা পাবিরল্লিবা / বীশিংগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উচ্চরি। মখা লাক্কদবা পরিংশিংদসু পাবিদুনা নৈনবিগনি খঞ্জরি! পরিং নাইনা চেন্থরিবা ঈচেল, অসিদি 'অচুম্বা' কৌবা মপুবু ফংনবা থিজরিবা পরিংনি, অদুবু পরিং ৩৯৯ শুবা ফাওবদদি 'অচুম্বা' ফংবা ঙমজদবনা অয়িবগী লাইবক নিঙবা কায়বা ওইজরি। মখা তারকপা পরিংশিংদা, মাঙথানা থেংনবিবা থেংনবী য়াওরম্লগদি, খঙজ-উজদ্রিবা অরিববু মিৎ পাঙহনবিরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি!

ঙসিগী পরিংদা খোর্জে থৈজিঞ্জরি! ঙসি পীল্লবা, ইন্দিয়াগী নোংপোক ফিবাল ঙাক্লিবা, পীল্লবা চীঙলৈপাক 'মীত্রৈবাক' মণিপুর অসিগী মীয়ামগী পুন্সিদা পাদম লাকচরি। ষ্টেটসিগী মীয়ামগী পুন্সি মরেলদি, চাদা ১০না য়াইফরগসু ৯০দি অৱাৎপনা নাউয়োম ওইরি হায়বসি হায়মনবা থোক্কনি নিঙদে। ৱাফম অসিসু অয়িবগী ৱাখল নচ্চদে, লৈবাক হুপ্না খঙনরিবা অমনি। ঙসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম, চাদা ৯০দি চনিং তাদবা পুন্সি ওইরি। হিংবগী মহাউ মরিক অমত্তা ফংজদ্রবা পুন্সি ওইরি। মীয়াম অসিগী পান্দমদি 'শিবা ঙাইবা' হায়বদুনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম চাবা থকপদা, শেৎপা-ইনবদা, লৈফম-লেনফমদা, হীরম খুদিংদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা মায়োক্নরি। খ্বাইদগী লুরিবদি, মালেমগী ওইনা ঈশিং-নুংশিৎকী মহৌশাগী পরম কায়রকপা অসি পনবা য়াই! মালেমগী থৌদোক ওইরগসু, মালেমগী লৈপাক খরনা, মহৌশাগী কায়থরল্লিবা পরম মেনশিন্নবা লম্বী থিনরি। চীঙ-তুরেল, পাৎ-ঈকোল, উ-ৱা, শা-ঙা, উচেক ৱায়া, তাইবং অচৎ-চত্তা অহিংবা-থৱায় পানবা পুন্নমক কন্নবা হোৎনরি। মসিগী মরম খরা পনবা তারগদি-তাইবং অচৎ-চত্তা, পোকপা-শিবা নাইরিবা মপোক পুন্নমক মথৌ-মঙম অমমম পুদুনা লাল্লিবা ওইবনা, অমনা অমনা অমদা মতেং পীনা-লৈনরগা 'হিংবা' হায়বা পুন্সি অসি ওইহল্লি। হেনগৎলকপনা লৌথোকপা, ৱাৎলকপদা হাপচিনবা হায়বসি মহৌশাগী পথাপ ওইরি। শিরিবসি লৌ-থোল্লিবনি, পোল্লিবসিনা ৱাৎলকপা মেনখৎলিবনি। মতৌ অসুম্না পোকপা-শিবা নাইহল্লি। পোকপা-শিবগী মরক লাংদাইদুনি হিংবা কৌবা পুন্সি অসি। পুন্সি মতেক অসি তাইবংগী ওইনদি খ্বাইদগী লুবা তাঙ্কক অমনি হায়দবা য়ারোই। পুন্সি অসিনা পাথাপ কায়দনা, মশা-মশাগী থৌদাং লৌনরি মখে, তাইবংগী পুন্সি য়াইফবা, অৱা-অনা লৈতবা মতম ওইহল্লি। তাইবং পুন্নমক্কী তুঙনফম ওইরিবা 'তাইবংকোল', তাইবংপান, মালেম লৈকোইপুঙ অসিগী পুন্সিদি, তাইবং অচৎ-চত্তশিং অসিগী খুত্তা লৈরি। তাইবং অচৎ-চত্তা মপোকশিংনা, মহৌ-পথাপ ঙাক্লা চৎলিবমখে মালেমগী পুন্সি নুংশাংবা, পরম-পথাপ থুগাইরগা পুন্সি তেনবদি মহৌশা ওইরি। ঙসি মালেম মালহৌনরল্লি, মসিনা তাইবং মপোক খুদিংমক মৈশা লাংনা হিংবা পুন্সি ওইহল্লক্লি। মসিগী খুদমদি – ঙসিমক মতম-থারুক (ঋতু) কায়রক্তুনা অয়িং-অশাগী চাং কায়রল্লিবসি পনবা য়াই। ঙসি শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা, নোংজু মতম লাল্লফাওবা নোং তারক্তবা, শাবনা তাইবং পুন্সি কেমহনবা, ঈঙবনসু পুন্সি লোমহনবা, হিংলিবশিংনা মৈথক্কী লেপ্লেগুম হিংলিবা পুন্সি ওইহল্লিবা, পুন্নমক অসি তাইবংনা মহৌ-পথাপ থুগাইরুবগী তেকচাক্লি হায়দবা য়ারোই!

> **পনখে তাল্লিবা ঈচেল – ৪০০**
> **ৱাই চীঙখে ঙানবা লুৱাং**

ওইরল্লিবা ফিভম অসিগী হৌরকফম 'তাইবং মী' নি হায়দবা য়ারোই! পুক্লিং-ৱাখল লৌশিং মপুঙ ফাদবা, তাইবং মী নত্তবা অতে তাইবং অচৎ-চত্তশিংদা তাইশিনবা অচৌবা অরানবা ওইগনি। মীওইবা তাইবং অসিগী মরুম থুপ্না লৈজরিবশিং অসিদা তাইশিন্নবগী মরম ফংদে। উপালবু উরিনা তুহনবা ঙম্বা নত্তে, উপান্না চিংথুদুনা উরি ফোয়দৎপীবনি। মীওইবনা মহৌপথাপ থুগাইবনা, মশাদা লোয়নরকপা মচৎ থুগাইবা ঙমজদে, মীওইবনা মশাগা লোয়নরকপা মচৎপু মায়থীবা পীরম্লগা, মশা-মশাগী অপান্বা ফংনবা হোৎনবদা, মহৌ-পথাপ থুগাইবা ঙাক্তনি। মীওইবদগী হেন্না শাখিবা তাইবং মপোক অমত্তা লৈতে হায়দবা ঙমদে।

নাকল অমদা, মীওইবা মপোক মরক্তা অমগা অমগা হেনবা ঙম্বা তান্নবনা মপুঙ ওইবা লীচৎ ওইরিবসি পন্নিংঙি। মীওইবদা পীবিরকপা 'পুক্লিং'অসি হায়নিঙাই লৈতনা শাখি হায়দবা য়ারোই। পুক্লিংবু 'অপান্বা মিহৌবা কল্লকপা য়েংথীবা অশাউবা নাপল' কৌবা লৌথিরবা ময়ায় তরুক্না য়োমশিন্দুনা থল্লি। মসিনা পুক্লিংদা শিন্নরকপা মঙাল, মপান্দা ঙালহনবা ঙমদনা থল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবদা শিন্নরকপা মহৌশাগী লেংফদ্রবা পথাপ্পু অমম্বদা নকশিল্লগা ওন্ন-তৈনবা মচৎনা মহৌশাবু শিঙনরি। মহৌশাবু মায়থীবা পীরগা অথোইবনি খন্নরি। মশাগী অপান্বা-নুঙাইবা –অহেনবা মিংচৎ লৌনবা, চিঙ-তুরেল, পাৎ, উরি-উপাল মোংশোং য়াম্ভৎ কোকথোকপনা তৌদবা য়াদবা মথৌ ওইনা লৌনরল্লি। মহৌশাগী খুশেম থুগাইরগা তাইবং খুশেম পুথোক্তুনা মিংচৎ-উরোং মুন্নরি। মসিগী তেকচাক্লা, ঙসিগী মতমদা মহৌশাগী পরম থুগাইবগী, হিংবদা অকিবা লাক্লি। তাইবংবু হিংহন্নবা অশেংবা মৈশা-ঈৱায়-ঈনিল পুন্নমক মোৎশিল্লক্তুনা তাইবং অচৎ-চত্তা লাইনা লাইচুহল্লে, হিংবগী মমি শামহল্লক্লি। ঙসিমক মিকুপ অমা থাদোক্লবা ঙমদবা, তাইবংগী শিদয়াই (ইলিক্সর) নি হায়নরিবা 'ঈশিং' ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্নরি। ঈশিং পীনবিবা নোংনা মতাদ্রগদি, মথং চহিদা করি চারগা হিংগনি খন্থবা মতম্নি।

অসুক লুরবা মতাং অসিদা, ষ্টেট অসিগী লৈঙাক নিংশিংদবা ঙম্লক্তে। লৈঙাক গভর্নমেন্ট হায়বসি ষ্টেটসিগী অসুপ্পা (সুপ্রীম অথোরিটি) নি। সুপ্রীম পৱার পায়দুনা ষ্টেট মীয়াম য়োক্লিবনি। পৱার পুথোক্তুনা উমং কনবা, চীঙ-তুরেল, ঙাক-শেনবা, চীঙ্গাক পুথোকফম লবুক কনবা ষ্টেট মীয়ামগী যুম্লে-কৈরে ফগৎহনবা অসিনচিংবা হীরম কয়া কন্নবা হোৎনখিদবা, উশিন-তাশিন্নদবা মতৌদা, ওন্ন-তৈনবা মায়ওন্দা, চাওখৎহনবগী মমিংদা, লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপা পাঙথোল্লবা হোৎনবা নত্তনা, প্রাইভেটাইজেসনগী মঙজাউ মঙদমদুনা লৈরি। চাওখৎপগী মমিংদা, লবুক ফর-ফরবা কয়া বিল্ডীং মরু হুল্লি। চীঙ খুদিং মরু কোকথোক্তুনা কলটিভেসন তৌবদা, শেঞ্জাউ পায়বা ললোনবশিংগী শেন্দোং ফংনবা উজাউ পাক্তক য়াম্ভৎপদা মিৎ উইশিল্লি। হীরম খুদিংদা ওন্ন-তৈনা তৌরিবশিংবু য়েংশিন্নদা-তাশিন্নদা তুমশিন্নবা শাদুনা নুঙাইবা মঙলান্দা তাউদুনা লৈরি। অসিগুম্বা লৈঙাক অসি মালেম লৈপাক খুদিংদা ওইরম্লগদি, মালেম তাইবংকোল অসি নহান্না মুৎখিরম্লগনি। লাইবক ফবা হায়বা তাই! অচৌবা চাওখৎলবা লৈপাক কয়ানা, মালেম মালহৌনরল্লিবা ফিভমসিদগী কন্নবা হোৎনরিবা অসি পন্নিংঙি! পুন্নমক অসি লৈপাকশিং অসিগী লৈঙাক্লোলনা পুরকপা থৌরম থৌদাগী মখা পোল্লিবনি।

ঙসি ঐখোয়গী লৈপাক, ঙসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লেপখ্রবা তুং অসিদা, ষ্টেট অসিগী লৈঙাকলোন্দা, শম্না মফৈ অমগী মমি তাদ্রিবগুম তৌরি! চীন্দা চীনফা থীবগুম খজিক খরাক পনবা নত্তনা, থবক ওইনদি মিৎমাঙদা লৈত্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্কদবা মান্দে! পঞ্জরিবশিনা ষ্টেট লৈঙাকপু হুম্ভবদি নত্তে, অয়িবনা ঈশাবু ঈশানা চৈজবদুনি ! মরমদি –মীয়াম লৈঙাক (ডিমোক্রেসী গভর্নমেন্ট) হায়বসি ঐহাক ঈশাসু য়াওরিবনি, মদুদি– 'মীয়াম্না মীয়ামগীদমক লৈঙাকপা' হায়বদা ঐহাকসু য়াউরি, মীয়াম হায়বসি মী ময়াম অমনা পুল্লগা ওইবনা, ঐহাক্লসু মী অমা হায়বদু ওইরিবনা, লৈঙাক্তা ঐহাক য়াউরি হায়বা য়াম্না ময়েক শেংলি। ঐহাক হায়বসিনা ফত্তবদা মীয়াম লৈঙাক করম্না অফবা ওইগনি? ঐহাক মতিক চাদ্রি, অফবা লৈঙাক্লোল ঈশাদা পক্ত্রি, ফিভম অসিদা লৈঙাক চৈবদি ঈশা চৈবা থোকই! অয়িবনা পঞ্জরিবসি ঈশাবু য়োম্ভোকচবনি। তৌবদবু, লৈঙাক অমা লৈপাক খুদিংগী লিংনরিবসি লৈপাক অদুগী মীয়ামগী পুন্সি শাগৎনবনি। পুন্সি হায়বসিদা নুঙাইবা হায়বা অমা অৱাবা হায়বা অমা অসি থোক্লি। মীওইবনা নুঙাইবা পুন্সি তান্নরি, অদুবু নুঙাইবা পুন্সি ফংগে খল্লবদি, মহৌ-পথাপ ঙাক্লা কায়হন্দনা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবা চঙ্ঙী! তৌবদবু মীয়ামগী পাঙ্গল থৌনা মঙম পুন্নমক অকক্লবা মতমগীদমক শিন্নদুনা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলগা শেমখিবা লৈঙাক ওইবনা, লৈঙাক্লা লৈবাক্কী সুপ্রিম ওথোরিটি ওইরি। মীচম ওইনা লৈখ্রবা মীয়ামগী রাইট মপুঙ ফানা লৈ হায়না লোনা পীরগসু, ঈশা-ঈশাগী রাইট চহি ৫গীদি মীহুত্তা শিন্নখিবনা, ৱাকচবা কনাবু মীহুৎ ওইহন্সিগে লেপথোকহৌবা য়াম্নমক তঙাইফদবা লৈ। মীহুৎ ওইনা থাগৎখ্রবশিংসু লৈঙাক লিংবদা য়াওরবনিনা, লৈঙাক্লোল শেন্বদা মীয়ামগী ৱাখল খঙফম থোকই। লিংবদা য়াওরবনিনা, লৈঙাক্লোল শেন্বদা মীয়ামগী ৱাখল খঙফম থোকই। মিয়েং অসিদা য়েংলগা লৈঙাকপশিংনা, ঙসিমক লৈপাক মীয়াম্না মৈশা লাংনা হিংলিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবা চুমগনি খল্লি! ঙসি ষ্টেট অসিদা অৱাৎপা ঙাক্তা ঙায়রবনি, অসিখত্তদি য়ারি হায়বা লৈত্রবনি ! লৈঙাকপা ৬০ অমদি, য়াইফবা-মরেক মহাউ থোকপা খুজোক অমা য়েংলগা, ষ্টেট অসি য়াইফরি খনবদি মালেম্না য়ারোই পুন্নমক লৈঙাকসিগী খুদোলনি!!

(পংলবা ঐগী ৱাখলনি শাউবীনুকোও)

# পি ঐচ ই দি + আই এফ সি দি + ফোরেষ্ট = ইকং

**বি কে শর্ম্মা**

ঐখোয়দি য়াম্না পংজখ্রবা লৈপাকসিগী সিটিজেন নি। য়াম্নসু পাংদ্রবা থৌনা লৈত্রবা প্রজানি। প্রজানা থৌনা লৈরবা, লিংজেন পাল্লবদি ভারত সরকার মণিপুর সরকারনা লৈবাক ঙাকপা নুংঙাইতে' না অফস্পাগী মথক্তা কর্ফিয়ুগী রব্বর বুল্লেট মপৈ মপৈ পৈশিন্দুনা প্রজাগী মথক্তা হিংসা হেক্তা হৈথবদগী, হৌজিক্তি প্রজা ঐখোয়সে ঈশিং থকপা ফংদ্রসু ইরুজবা ফংদ্রসু তুমিন তুম্পক তাশিন্দুনা লৈবসিদা লিংজেন পান্দবা মাল্লম্লনি, য়াম্না পংবসু মাল্লম্লনি।

প্রজা ঐখোয়দি করিমতা খংজদবনি-নখোয়না তৌরিখে অফবা ঙাক্তনি অদুম খন্দুনা লাকখিবনি, অদুনবু ভোট থাদরিম্লি। করিগুম্বা কান্দা নখোয়না তৌরিবদু লৈবাক্কী মাংনবা ওইরে খংলকপদগী হৌগৎলুবদা রব্বর বুল্লেট কাপশিল্লকইবনি, পাল্লগা তেক্লগা শল্লগা তারিবনি- ইশুদুবুদি খাঙ্গেনফম য়ৌখি, কনবা ঙমহৌদে। অসুম্না খংজদবা পংজবা লিংজেল পানজদবা, নখোয়না হায়রি-তৌরিখে য়াবা প্রজা ঐখোয় ইশা খংদনা লাংদা থুদুনা লৈরম্লে-ঐখোয় হৌগৎপসু য়াদ্রে রব্বর বুল্লেটনা ঙাইদুনা লৈরে, খোঙকাপ অমত্তা থাংবসু য়াদ্রে ঐখোয়গী অকোইবা নাক য়েৎ মাং তুংদা লাং ঙাক্তা থাক্তুনা লৈরম্লে, প্রজা ঐখোয় মচি লেংবা ঙমদ্রে। নখোয়না তৌরিসিদা অমদি তৌরিবখৈ থৌনা য়াওদ্রবা লিংজেল পান্দ্রবা পংসু পংলবা প্রজা ঐখোয় অদুম য়া তাবনি। য়াদুনসু লৈরি। অদুবু নখোয়না তৌরিবাখৈ য়া তারসু, প্রজা ঐখোয়সু চাক চখোম অমা করিমা চারি কৌবনিনা পংজরসু খংবদি খংজৈ। নখোয়না তৌরিসি কৈসু অহেনবা অমত্তবুদি তৌদেদা, নখোয়না লৈবাকসিগী তৌরিবা হায়বু – কর্ম্মচারিশিংগী তলব পীদবনা পীদ্রবসু অপিবদা অদুম পীবা – তোটি ঈশিংগী কোঞ্জিল কোৎল্হিং কাবা লৈকায়, খুলগীদি খংদ্রে, পীরিবা লৈকায়, খুল খরদু ঈশিং পীনবা হোৎনবা – কয়লাস খরা'দুক থাবা – মহৈরোয়শিংগী পরিক্ষা পাংথোকপা, থবক লৌবগী পরিক্ষা পাংথোকপগা লোয়ননা পৈশাগী লুজাও থুম্বা – চহি অমদা থা ৮ মৈ মমহনবা, থা ৪ মৈ পীনবা ফ্যুজ শত্তোক শৎচিন শান্নবা – এফ সি আইগী চেং চিংনবা হোৎনবা – ইরাং থোরকপদা মী ফুনবা মওং তারবা চৈ পায়বা লেংবান্দা এ কে য়ানবা কাংবু থাজিন্নবা, রব্বর বুল্লেট কোকথোং কোকথোং সড়ক তা পুথোরক্লবা কর্ফিয়ু লাওবা – করিগুম্বা কান্দা ইরাং সুকথোক থোক্ত্রবসু ইম্ফাল ইষ্টকা ৱেষ্টকদা সি আর পি সিগী অথিংবা থম্বা – মতম মতমগী শাফোংলকপা জে এ সি পান্নবা – ডাক্তর, নর্স থল্লোইদবা ডাক্তর খানা, পুলিস থল্লোইদবা পুলিস ষ্টেসন, আউট পোষ্ট শঙ্গাবগী থৌরম পাংথোকপা অসিনচিংবা থবক ময়াম অমনি। পংখ্রবা প্রজা ঐখোয়না হায়জৌ হায়রদি নখোয়সিসু প্রজা ঐখোয়দৌনা লাংদা থুরবজাৎনি। প্রজা ঐখোয়না থুরিবসি কনানা থাকপা লাংনো হায়বদু অদুম খংই, নখোয়না থুরিবা লাংদুসু কনাগী লাংনো খংই। মণিপুরসি চহি অসুক ফাওবগী মনুংদদি অসিগুম্বা ফিভম অমদা থাক অমবা পুখৎলগেকা হায়বা ৱাখল থাদনদ্রিবসি লাংদা থুবদুননি। করিগুম্বা খল্লম তারসু মদুগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎলক্ত্রিবসি লাংদা থুবদুননি।

হৌজিক হৌজিক কোকথক্তা মৈ মহি হৈথরল্লিবা, লবুক-লমহাং লৈক্রেক ক্রক ক্রক চৎলিবা পুখ্রি, পাৎ-তুরেল খ্রক-খ্রক কংলিবা ফিভম অসিদগী পংলবা লিংজেল য়াওদ্রবা প্রজা ঐখোয় ইরুজবা ফংদ্রিবা, ঈশিং অফবা থকপা ফংদ্রিবসি নখোয়না লাংদা থুদুনা ৱাখল-পুক্লিং- হকচাং তিং থোকপা ঙমখিদবদগীনি।

পংলবা প্রজা ঐখোয়না উজরকপদি চহি কুমজা য়াম্লক্লে। চীং হায়বদুমখৈগী চীংমাই-নাপোম পুন্নমক কোকপা হৌরকখিবদগী হৌজিক্তি মপুং ফারে পুমকোক কোক্লে। করিগুম্বা নখোয়না লাংদা থুদদনা ৱাখল-পুক্লিং- হকচাং তিং থোকপা ঙম্লম্লবদি, হৌজিক ওইরিবা অফবা ঈশিং থকপা ফংদ্রিবা, ইরুজবা ফংদ্রিবসি তৌরম্লোইদবনি। নখোয়সে হিরমসিদা শুকখন খন্দবদি নত্তে- করিগুম্বা কান্দা নখোয়না ঙাংই, বন-মহোসব চহি খুদিংগী পাংথোকই – নুমিত্তুদা উ চারা থাখিবা মফমশিংদুমক্তদা চহি খুদিংগী উ চারা হঞ্জিন হঞ্জিন থাই, মসিনি লাংদা থুরবগুম্না তৌরবা নখোয়গী থবক অসি।

পংলবা প্রজা ঐখোয়না খঞ্জবদদি, তোটি ঈশিং শেন্বা-পাইপ্তা ঈশিং চেলহনবা কাংবু পি ঐচ ই দি, তুরেল খোঙবান শেন্নবা কাংবু আই এফ সি দি, উ-চারা থারিবা, উ-পাম্বী শেন্নরিবা, দি-ফোরেষ্ট্রেসন য়োকখৎলিরা করিনো খংদ্রবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, দিপার্টমেন্ট অহুম সিসু লাংদা থুরবগুম্বনি। আ.. মথাই থাইনগী ৱাখলদগী হেনবা ঙমদ্রি – পি ঐচ ই দি গা তোটি ঈশিং শেন্বদি ঙম্মী, ঈশিং শুংবদি ঙমদে; আই এফ সি দি না তুরেলদা ঈশিং থনখৈ চেলহনবা ঙমপোৎতে, তোর্ব্বান শেন্নবদি ঙম্মী, কেনেল শেন্বদি ঙম্মী; ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ঈশিংগা উপান-ৱাপালগা লৈনরিবা মরি উবা ফংদে, হৌরিবা উ-শিংগী মমল পাবদি ঙম্মী, অকোইবদা লৈরিবা চীংমাইশিং চীংগী নাপোমশিং মরু শৃৎ-নান্না কোক্তুনা উনশা ঙাক্তা ইঙান ঙান্না উরসু করিম খনবীদখৈ প্রসাদি পুক থন্না থন্না অহাও অহাওবা লৌখৎপা ঙম্মী। দিপার্টমেন্ট অহুমসিনা মখোয় মশা-মশানা খঞ্জরিবশিংসি আউট-দেটেদ ওইবা ৱাখল খুৎখন্দদি চুমখ্রজাৎনি। পংলবা প্রজা ঐখোয়না খংলবসু মখোয় অহুমসি হৌজিক ফাওবা ভাব তাদ্রি। মখোয়না ঈশিং শুংবা ঙমদে হায়বা চুমখ্রবা ৱাখলগী ফোর্মেটিতুদগী লিৎথোরকপা ঙমজদ্রি। ঈশিং শুংনবা মেছিনদি থাইনা আ ... মহৌশাদগী কংলৈপাকসিদা পুথোক্তুনা চলাইরকখিবদু মখোয় অহুম্না মখোয় মখোয়গী ৱাখলগী ফোর্মেটিতুদগী লিৎথোরল্লগা য়েংনদবনিনা উবা ঙমজদে। মখোয় অহুমগী ৱাখল খুৎখনগী কোৎল্হিং চারবা ফোর্মেটিতুদগী মঙকশিং লিৎথোরল্লরগা য়েংবা ঙম্লবদি ঈশিং শুংনবা মেছিনদু "এ... মেছিনসিদি অতৈ নত্তজাৎ ওইরে, ঐখোয় অহুম ওইবজাৎনিদনা" হায়বদু খংগদবনি। নখোয় অহুম লাংদা থুবগী ৱাখল খুৎকন্দা মতিক ময়াই য়াওবা ঙমদ্রবা অচেৎপা ফিরেপ লৌজবা ঙমদনা থাংলকখিবা খোঙথাংশিংনা মরম ওইদুনা লমফেল পাৎ ঈশিং কংখিবনি ৱাইথৌ পাৎ ঈশিং কংখিবনি, তুরেল অমদি তু-খোঙ পুন্নমক ঈশিং খৃ-খৃক কংখিবনি।

লৈপাকসিগী লুকোক পুরেল নি'না লৈবীরিবা পুন্নমক্না কোৎল্হিং চারবা ফোর্মেটিতু শিন্দোকপিখ্রো –মতিক মঙম য়াওদ্রবা মহাম তারবা দিপার্টমেন্ট অহুমসি মুখৎখ্রগা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্ট ওন্থোল্লগা মখোয় অহুমসি শ্রু-শ্রু তাশিল্লগা ঈশিং পুথোল্লবা মেছিন ওন্থোকপিরো।

